# ইন্দিয়ানা নেপাল মায়থীবা পীদুনা এস এ এফ এফ অন্দর-১৭কী টাইটল লৌখ্রে




ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ১৪(এজেন্সী): স্রিলঙ্কানা য়ূম্লু ওইদুনা পাঙথোকপা এস এ এফ এফ অন্দর-১৭ চেম্পিয়নশিপকী ঙসি কলম্বোগী রেসকোর্স ইন্টরনেসনল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ফাইনেলদা ইন্দিয়ানা নেপালবু ৪-০দা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

বোবিনা গুইটেগী পাস অমগী মতেংদগী শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি অদুগা কোরৌনা শান্নবগী ৩০ শুবা মিনটতা অনীশুবা গোল চনখি।

গোল অনী এসিষ্ট তৌখিবা ভনলালপেকা গুইটেনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৬৩ শুবা মিনটতা ইনি দয়াগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি অদুগা অনীশুবা হাফতা চঙলকখিবা অমননা মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমগী ৪শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ৪শুবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিগী ৩৯শুবা মিনটতা নেপালগী কেপ্টেন প্রসান্ত লক্সমনা দেনি লাইশ্রমবু চেলেঞ্জ তৌবদা খূনিংনা থিল্লুবদগী রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা ফিল্ডদগী মপান থোকহনখিবনি।

লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভনলালপেকা গুইটেনা টুর্নামেন্ট অসিগী মোষ্ট ভেল্যুএবল প্লেয়রগী মনা ফংবা ঙমখি অদুগা গোলকিপর সাহিলসু বেষ্ট গোলকিপরগী মনা ফংবা ঙমখি।

ইন্দিয়া টিমনা মায় পাক্লবা মতুং হেদ কোচ বিবিয়ানো ফর্নান্দেজনা ফোঙদোকখিবদা, ঐনা ঐগী নুপামচাশিংবু চাওথোকচৈ অমদি মখোয়গী হোৎনজমলবু থাগৎলি হায়খি।

ঐখোয়গী সপোর্ট ষ্টাফ খূদিংমক অমদি শান্নরোয়শিংগী হোৎনজমলনা মায় পাকপা ঙম্বনি। ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা কন্না হোৎনদুনা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মতেংগা লোয়নননা য়ূঠ লেভেলদা লেপ্তুনা এক্সপোজর টুর পীবীবনা নুপামচাশিংদা অচৌবা মতেং অমা ওইখি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# দুরান্দ কপ : টি ঐচ বিপিননা অথেংবদা চনখিবা গোলগী মতেংনা মুম্বাই সিটি ফাইনেল চঙখ্রে



কোলকাটা, সেপ্টেম্বর ১৪(এজেন্সী): ষ্টেটকী প্লেয়র টি ঐচ বিপিননা মেটচ লোইরমদাই শান্নবগী ৯০ শুবা মিনটতা অথেংবদা চনখিবা গোলগী মতেংনা মুম্বাই সিটিনা মোহমেদন স্পোর্টিং ক্লবপু ১-০দা চথুরিবা ১৩১ শুবা ইন্দিয়ন ওইল দুরান্দ কপকী ঙসি কোলকাটাগী ভিবেকানন্দ য়ুব ভারাতি ক্রিরঙ্গন (ভি ৱাই বি কে) ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা এসিয়াগী খ্বাইদগী লিরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা ওইনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী হৌরকপগী মিনট ১৫ ফাওবদি মোহমেদনগী শান্নরোয়শিংনা খূদুম চন্না শান্নখিবগা লোয়নননা নিংথৌজম প্রিতম অমদি এস কে ফয়াজনা এটেম্পট কয়া তৌখিবগা লোয়নননা কোর্নর অহুম ফংবা ঙমখি। মুম্বাই সিটিগী মায়কৈদগীসু ফ্রী কিক অমা ফংবা ঙমখি অদুবু গ্রেগ ষ্টেৱার্দনা গোল ওন্থোকপা ঙমদনা অরেম্বা তাহনখি।

মেটচকী পুংখায়মুক লৈরবা মতুং মুম্বাইগী গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা অমা মোর্টাদা ফোলনা পুশিল্লকপা বোল অমা মোহমেদনগী দিফেন্দর আউস্মান কার্দিনেলনা নীংথিনা ঙাকথোক্তুনা অরেম্বা তাহনখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবা হৌরকপদা মোহমেদনগী শান্নরোয়শিংনা খূদুম চন্না শান্নবগা লোয়নননা মুম্বাই সিটিগী মায়কৈদা এটেক কয়া চথনবা হোৎনখি। শান্নবগী ৬৪ শুবা মিনটতা মার্কসকী গোল চনবা য়াবা ফ্রী কিক্ অমা পোষ্ট নাকন্দা চৎখিবদগী অরেম্বা তাখি অদুগা শান্নবগী ৬৮ শুবা মিনটতা প্রিতমনা ওইরোমদগী ৱাংনা থাদরকখিবা বোল অমা মার্কসনা হেদিং তৌশিনবদা টার্গেট শোয়বদগী অরেম্বা তাখি।

মেটচ লোইরমদাই গ্রেগ ষ্টেৱার্দনা পীরকপা বোল অমা লালিয়ানজেলানা নীংথিনা ফারবা মতুং খায়রকখিবা বোল অমগী মতেংদগী বিপিননা গোল ওন্থোক্তুনা মায় পাকপগী মরু ওইবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

বেঙ্গলুরু এফ সী অমদি হায়দরবাদ এফ সী অনীনা শগোলশেন নুমিৎতা ভি ৱাই বি কে ষ্টেদিয়মদা ২শুবা সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

# শুটিংগী গোল্ড মেদলিষ্ট জোতিকা লাইশ্রমবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪(ঐচএনএস): নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী লমজিং মখাদা অসাম রাইফলস এসোসিএসননা শীন্দুনা গুৱাহাটিদা থা অসিগী ১০দগী ১৩ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৯শুবা নোর্থ ইষ্ট জোন শুটিং চেম্পিয়নশিপতা জোতিকা লাইশ্রমনা ষ্টেটকী গোল্ড ২ অমদি সিলভর ১ পূন্না মেদল ৩ ফংলকখিববু ষ্টুদেন্টস ৱেলফেয়র কম্মিটি (এস দব্লিয়ু আর সী) ফৈজালৈতোং থোংজু পার্ট-টুনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

মহাক ফৈজালৈতোং থোংজু পার্ট-টুদগী মোনবা লাইশ্রম অমদি কুমাম রানীবালাগী মচানুপীনি।

জোতিকানা চেম্পিয়নশিপ অসিগী য়ূঠ অমদি জুনিয়র ৱিমেন্স ইন্দিভিজ্যুএলগী মিটর ১০গী পিপ সাইট এয়র রাইফল ইভেন্টতা পূন্না পোইন্ট ৩৮০ কাপ্তুনা গোল্ড মেদল ২ ফংবা ঙমখি। মহাক্না ইভেন্ট অসিগী ৱিমেন্স ইন্দিভিজ্যুএলদা সিলভর মেদল অমা ফংবা ঙমখিবনি।

অনীশুবা অম্ফা কপ

# এল ৱাই সী সী মায় পাকখ্রে, অমোফা অমদি জে এস ৱাই সী দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা চথুরিবা অনীশুবা অম্ফা কপ ২০২২ ঙসি লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফগ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা লিৱা চাংনিং কলচরেল ক্লব (এল ৱাই সী সী) চান্দেলনা লাংচিং য়ূঠ গেমস সোসল এদ্যুকেসনেল এন্দ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (এল ৱাই জি এস ঈ দি এ)বু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

এস কে বুংহোং লমকাংনা শান্নবা হৌরকপগী ১৪ শুবা মিনটতা লিৱা চাংনিংগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা অনীশুবা হাফকী শান্নবা হৌরকপগী ৪৬শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ৩শুবা গোল চনবা ঙমখি। দিলবুং রেংহোং লমকাংনা শান্নবগী ২৮ শুবা মিনটতা লিৱা চাংনিংগী ২শুবা গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি থৌদাম অরুনকুমারনা মায় পাকখিবা লিৱা চাংনিংগী দিফেন্দর সগাপম সুরেশপু শান্নবগী ১১ শুবা মিনটতা দাইরেক্ট রেদ কার্দ পীদুনা ফিল্ডদগী মপান থোকহনখিবনি। রেফরিনা অহানবা হাফ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা লাংচিং টিমগী থাংমিনলুং খোংশাইসু য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা ওল মোইৱাং ফুটবোল এসোসিএসন (অমোফা) মোইৱাং অমদি জে সোংটুন য়ূঠ ক্লব (জেএসৱাইসী) ৪-৪দা দ্রো ওইখি।

অমোফা মোইৱাংগী গোলশিং অদু সেমসননা শান্নবগী ১৪, ১৬ অমদি ৫১ শুবা মিনটতা গোল ৩ অদুগা কুমাম ইঙোনা শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনটতা গোল ১ চনবা ঙমখি।

জেএসৱাইসীগী গোলশিং অদুনা মাংগিনিহাও কিপজেননা শান্নবগী ২৬, ৩০ অমদি ৭৫ শুবা মিনটতা গোল অহুম অদুগা অকাশ রাইনা শান্নবগী ৩৮শুবা মিনটতা গোল অমা চনবা ঙমখিবনি।

রেফরি থুল্লি জয়সিং মোন্সাংনা জে এস ৱাই সীগী লালথাংলেন কিপজেনবু শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা শগোলশেন নুমিৎতা মেটচ অনী শান্নরগনি। অহানবা মেটচতা গ্রুপ এগী এফসী লমজাও অমদি অংথা এফ সী নুংথিল পুং ১২.৩০দা অদুগা অনীশুবা মেটচতা গ্রুপ বিগী য়ুনাইটেদ স্পোর্টস এসোসিএসন (য়ু এস এ) খুরাই অমদি টুগপু নম্বোল নুংথিল পুং ২.৪৫দা শান্নরগনি।

# ষ্টেট বোক্সিং টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪(ঐচএনএস): অসামনা য়ূম্লু ওইদুনা গুৱাহাটিগী পাল্টন বজারদা লৈবা সাই কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ১৫দগী ২৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা নোর্থ ইষ্ট জোন খেলো ইন্দিয়া ওপন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ফোর জুনিয়র গর্লস এন্দ য়ূঠ ৱিমেন্সতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌগদবা মীওই ৬১না শাবা নুপী বোক্সিং টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ষ্টেট টিম অসি এল সুনিল কুমারনা টিম মেনেজর ওইদুনা লুচিংখি। টিম অসিদা এম শ্যামচন্দ্র, জেদ ভি জোলিসন, এল চিত্তরঞ্জন অমদি দব্লিয়ু হান্বীনা টিম কোচ ওইনা শরুক য়ারি।

জুনিয়রগী ওইনা নুপী বোক্সর ৩০ অদুগা য়ূঠকী ওইনা বোক্সর ২৬না শরুক য়ারি।

জুনিয়র বোক্সরশিং অদুনা কেজি ৪৪-৪৬ কাঙলূপ্তা এল জয়ালক্সমী, টি ঐচ অঞ্জলিনা, লুৱাংলৈমা, টি ঐচ সেনচা, এষ্টর নৈপিনেং, বন্দনা অমদি ই থোইচা; কেজি ৪৮গী কাঙলূপ্তা এন পুর্ণিমা, য়িৰ্মি মুইভা, প্রিতি লাইশ্রম, কিমহোইনৈ তেলেন, সুর্মালা অমদি সাগর; কেজি ৫০গী কাঙলূপ্তা হিজম জেনিকা, মাইবম কিরন, অজিতা, এষ্টর বাইতে, এন রিপা অমদি টি ঐচ অথোইবী; কেজি ৫২ কাঙলূপ্তা লৈয়ারিন শৈজা, কে ঐচ শিন্থোই অমদি লক্সমী; কেজি ৫৪গী কাঙলূপ্তা চানপুই জাজো, য়ুম্নাম নেহা, পি ঐচ রেনুকা অমদি টি ঐচ সুপ্রিয়া; কেজি ৫৭কী কাঙলূপ্তা ইন্দিকা; কেজি ৬০গী কাঙলূপ্তা প্রিয়ালক্সমী; কেজি ৬৩গী কাঙলূপ্তা কিমহোইচোং কোম অমদি কেজি ৬৬কী কাঙলূপ্তা নিহানি।

য়ূঠ বোক্সরশিং অদুনা কেজি ৪৮গী কাঙলূপ্তা অহৈবম রোশনী, এলাংবম থোইথোই, য়ুম্নাম ভেনিকা, টি ঐচ অপসারা, হেলেনা অমদি এস সোনিয়া; কেজি ৫০গী কাঙলূপ্তা নিংথৌজম কলপনা, থোকচোম প্রিয়াঙ্কা, এম লক্সমী, এম বিদিয়া, টি ঐচ লনচেনবী অমদি কে এস ঐচ জিনা; কেজি ৫২ কাঙলূপ্তা লাইশ্রম সঞ্জোতা, ৱাংজম ইথোইবী অমদি করুনা; কেজি ৫৪গী কাঙলূপ্তা চোংথাম পোইরৈলেম্বী, নিংথৌজম মন্দা চনু অমদি হুইদ্রোম গ্রিভিয়া; কেজি ৫৭কী কাঙলূপ্তা টি ঐচ প্রমেশ্বরী; কেজি ৬০গী কাঙলূপ্তা কাজল অমদি তেন্সুবম সনধ্যরানী; কেজি ৬৩গী কাঙলূপ্তা মেলোদি কিলোং; কেজি ৬৬কী কাঙলূপ্তা চিনমোনকিম লৌভুম অমদি কে এস ঐচ সিল্কি; কেজি ৭০গী কাঙলূপ্তা সিন্দি কোম অমদি কেজি ৮১ মথক্কী কাঙলূপ্তা অচোম পুস্পারানীনি।

এল মেমচা সুপর দিভিজন লীগ

# গোবিনচন্দ্রগী হেটট্রিকনা ৱাই দি সী চাওনা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪(ঐচএনএস): এস গোবিনচন্দ্রনা চনখিবা গোল ৩ অদুগা কে ঐচ বির্জিৎনা চনখিবা গোল ২, মালেমঙানবা অমদি এম কিষননা শান্নবগী ৩১ অমদি ৬৭ শুবা মিনটতা চনখিবা গোল অমমম্গী মতেংনা ৱাই দি সী খোইরোমনা এস দব্লিয়ু ৱাই সী চরাংপাৎপু লাকচনা ৭-০দা চথুরিবা এল মেমচা সুপর দিভিজন লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।



গোবিনচন্দ্রগী অহানবা গোল অদুনা শান্নবা হৌরকপগী ৪শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মহাক্কী অনীশুবা অমদি হেটট্রিক গোল অদুনা শান্নবগী ১৫ অমদি ২৯ শুবা মিনটতা চনখি। বির্জিৎকী গোল ২ অদুনা শান্নবগী ৫৮ অমদি ৬১ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা দব্লিয়ু ৱাই এফ সী ৱাংজিংনা এস ৱাই দি এ অথোকপমবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

মার্জিৎনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৬৫ শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংদগী ৱাংজিংগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি অদুগা হোপসননা শান্নবগী ৭৫ শুবা মিনটতা ৱাংজিংগী মায় পাকপগী ২শুবা গোল চনখিবনি।

ইতোমচা ফর্ষ্ট দিভিজন লীগ

# ও এস এ ওইনাম অমদি য়ু এফ সী বিষ্ণুপুর মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা চথুরিবা অহানবা এল ইতোমচা ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অনীদা ও এস এ ওইনাম অমদি য়ু এফ সী বিষ্ণুপুর মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা য়ু এফ সী বিষ্ণুপুরনা কে ৱাই এস সী এন্দ এল খা-জিরিবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।



য়ু এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু টি ঐচ এদৱিন অমদি পানমৈ দোনিনা শান্নবা হৌরকপগী ২শুবা অমদি ৬৫শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। খা-জিরিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এ দেবকানন্দনা শান্নবগী ৩৩ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা ও এস এ ওইনামনা ক্লাসা এফ সী কৈনৌবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ওইনামগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু টি ঐচ মালেমঙানবনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৭৬ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি।

মাইপাকপী মেমোরিএল ট্রোফি

# থৌবাল এফ সীনা সত্রাম থোইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৪(ঐচএনএস): মঙাল ফাউন্দেসন হৈরোকনা শীন্দুনা চথুরিবা অহানবা মাইপাকপী নীংশিং ট্রোফি ষ্টেট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি হৈরোক পার্ট-টু সিটি ক্লব গ্রাউন্দদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা থৌবাল এফ সীনা সত্রাম এফ সীবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

চন্দ্রকুমার অমদি য়ুনুসনা থৌবালগী মায় পাকপগী গোল ২ অদু চনবা ঙমখি। সত্রামগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা রোবিননা চনখিবনি।

অতোপ্পা গ্রুপ এগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা নেশা নোংপোক সেকমাই অমদি রিয়াল লাংথবাল এফ সী ২-২দা দ্রো ওইখ্রে।

নোংপোক সেকমাইগী গোলশিং অদুনা রোশন অমদি ৱিলবর্টনা চনখি। লাংথবালগী গোল ২ অদুনা এস ঐচ তোন অমদি এন চাওবনা চনখিবনি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা গ্রুপকী মেটচ অমদা হৈরোক এফ সীনা এম এম এফ সী হৈরোকপু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।


হৈরোক এফ সীগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু কিষননা চনবা ঙমখি।

SMART TUTORIAL CENTRE
SINGJAMEI SUPER MARKET
ADMISSION OPEN
WEBSITE: https://smarttutorial.org/
BOSEM/COHSEM/CBSE Separate class
SCIENCE, ARTS & COMMERCE
MEDICAL, ENGINEERING & NDA course for 2023
FOUNDATION COURSE 2022 & Revision course 2023 FOR CLASS X, XI & XII
CLASS START : 19th, 27th Sep., & 22th Oct.2022
HOSTEL+VAN SERVICE available for both boys & girls
FREE supply of printed questions & answers, weekly exam and MEGA TEST
ALL SUBJECTS
CALL: 8787601123, 03857966211
Experience Teachers from (FORMER & WORKING IN)
CBSE SCHOOL: UNACCO, MARIA MONTESSHRI, KV Lamphelpat, KANAN DEVI & SISHU SIKSHA NIKETAN
BOSEM/ COSHEM: MECI, COMET, XTRA EDGE, HERBERT, IPS & STANDARD ROBERT
HL-B/7821/9/9-6/11(alt)

SPOKEN ENGLISH
Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary
Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)
Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)
Contact Numbers: 8132904426, 9362150894
HL-B/7775/1/9-1/10

LOAN AVAILABLE
# 2/4 Wheeler Loan
# Pension / Service Loan
# Business Loan
# Housing Loan
# Loan Against Property
# Electronics / Electrical Loan
Moirang, Nambol অমসুং Samurou গী ওইনা Office Asst. 2/2, Gr - IV, 2 Wheeler Mechanic, Car Driver, Car Wash Helper 2/2 পামজে।
Sd/- L.G. Finance
Khagempalli, Nambol, Thoubal, Kakching, Moirang and Samurou
# 8731978490 / 9774495994
HL-B/7804/19/8-16/10 (alt)

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 573

GM Jose Eduardo Martinez Alcantara (2620) - GM Petro Golubka (2452)
Titled Tuesday 20th Apr chess.com INT (11), 2021.04.20

1.e4 c5 2.Nf3 e6 3.g3 a6 4.Bg2 b5 5.O-O Bb7 6.d3 Be7 7.Re1 Nc6 8.Nbd2 h5 9.h4 Nh6 10.Nh2 g6 11.c3 Kf8 12.Ndf1 Kg7 13.d4 cxd4 14.cxd4 d6 15.Be3 Rc8 16.Qd2 e5 17.d5 Nd4 18.Bxd4 exd4 19.Bh3 Rc4 20.b3 Rc7 21.Rac1 Bf6 22.f4 Re8 23.Qd3 Rc3 24.Rxc3 dxc3 25.Nf3 Qb6+ 26.Kg2 b4 27.Ne3 Qc5 28.Nc4 a5 29.Re2 a4 30.Bd7 axb3 31.axb3 Rd8 32.Bh3 Ba6 33.e5 dxe5 34.fxe5 Be7 35.d6 Bf8 36.Ng5 Bxc4 37.bxc4 Bxd6 38.exd6 Rxd6 39.Qf3 Qxc4 40.Ne4 Rb6 41.Rc2 Ra6 42.Qf4 Ng4 43.Bxg4 hxg4 44.h5 Re6 45.h6+ Kf8 46.h7 Kg7 47. ...

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 572 Ans. :**

31. h6+ Kxh6 32. Rh1+ Kg7 33. Rxh7+ The white rook decoys Black's king. Kxh7 34. Qh1+ Kg7 35. Qh8# Dovetail mate
31. h6+ Kxh6 32. Rh1+ Bh4 33. Rxh4+ Kg7 34. Rxh7+ Kf6 35. Qe4 Rxe8 36. Qxe8 Re6 37. Qh8+
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com